**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 22-05-2025)**

**ৱাশক(এল)ঃ** জষ্টিস-কেমপায়া সোমাসেখর, ঙসি হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী ৯ শুবা চীফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

ইম্ফালগী রাজ ভবনগী দরবার হোলদা পাঙথোকখিবা ৱাশক লৌবগী থৌরমদা জষ্টিস-কেমপায়া সোমাসেখরবু রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা থবক পায়বগী ৱাশক লৌখি।

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা জষ্টিস-সোমাসেখরবু থা অসিগী ২০ দা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইনা হাপখিবনি। করনাতক্কা হায় কোর্টকী জজ ওইনা লৈরম্বদগী মনিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইনা হাপখিবনি। মহাকা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা জষ্টিস-দি. কৃষ্ণকুমারগী মহুৎ শিল্লকপনি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজশিং- জষ্টিস এ. বিমোল অমসুং জষ্টিস এ. গুনেশ্বর শর্ম্মা, কেন্দ্রগী হান্নগী মন্ত্রি থৌনাউজম চাউবা সিংহ, বি.জে.পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এ. সরদা দেবী, রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি পি.কে. সিংহ, সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ অমসুং দি.জি.পি- রাজিভ সিংহ, অসাম রাইফলস, আর্মি অমসুং সি.আর.পি.এফকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং, সিভিলগী সেনিয়র ওফিসিয়েলশিং, দি.এম.য়ু অমসুং এম.য়ুগী ভাইস চান্সেল্লরশিং অমদি বারগী মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**বন্দ (এল)ঃ** থা অসিগী ২০ দা উখ্রুলগী শিরুই লিলি ফেষ্টিবেলগী পাউ লৌবা চৎপা পাউমীশিংনা তোংবা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসতা মহা রেজিমেন্টকী কাংবুনা মণিপুর থাবা য়ারোই হায়বগী ৱাহৌদা কোওর্দিনেতিং কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি) না কৌখিবা পুং ৪৮ গী জেনেরেল ষ্ট্রাইকা রাজ্য

অসিগী মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা থোক্লে।

মফম কয়াদা বন্দ শৌগৎপশিংনা লম্বীদা থোরক্তুনা লম্বী থিংবগী খোঙজং চত্থখি। জেনেরেল ষ্ট্রাইক অসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল অমসুং অকোইবদা লৈবা কৈথেলশিং অমদি দুকানশিং হাংনখিদে। থাউ পম্পশিং থোঙ লোন্নখি। পেসেঞ্জর গাড়িশিং চেন্নখিদে।

জেনেরেল ষ্ট্রাইক অসিগী য়েংলগা ঙাক শেনবগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

ইন্দিয়ান জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (আই.জে.য়ু) না সেক্যুরিতি ফোর্সকী থৌওং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা মদু প্রেসকী নীংখা তম্বদা শিংনবনি অমসুং মীয়ামদা ই-পাউ ফংহনবদা পাউমীনা লৌরিবা থৌদাংবু শিংনবনি হায়রি।

থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম চত্থনখি।

অমরোমদা, কোকোমিগী জেনরেল ষ্টাইক মনুংদা পাউমীশিংনা মথৌ তৌবা চৎপদা মফম খরদা লম্বী থিংলম্বশিংনা অয়েৎপ অপন পীবা খরা য়াওখি। অকাশবানি ইম্ফালগা কোকোমিগী মীহুৎশিংগা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা ৱারী শান্নবদা, জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা পাউমী অমসুং মেদিয়াগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা বন্দ শৌগৎলিবশিংনা অয়েৎ-অপন থোকহন্দনবা কোকোমিগী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি।

**এরেষ্ট (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা দ্রগ লল্লোনবা মীওই অমা লুপা কোতি মঙারোমগী দ্রগকা কোন্ননা ঙরাং নোনেদগী ফারে।

ফারবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা লুপা কোতি মরিরোমগী সপোম কেপ ৫০ দা হাপ্লম্বা হেরোইন গ্রাম ৫৬৯ খরা হেনবা অমসুং লুপা কোতি অমরোমগী মমল ওইগদবা এমফেতামিন-মেথামফেতামিন সেচেত ৪৯ য়াওরি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী সঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট টু মসজিদ মনাক্তা লৈবা

পুখ্রি অমদা ইরাকবদগী চহি ১৩ শুরবা নুপামচা অমা ঙসি লৈখিদ্রে হায়রি।

**শিরুই(এল)ঃ** মঙাশুবা শিরুই লিলি ফেষ্টিবেলগী ঙসি হুমনি চনবা নুমিৎতা মনিপুরদা শান্তি পুরকবগী পান্দমদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা বাইকর ১০০ রোমনা উখ্রুল টাউন্দদা শান্তিগী রেল্লি অমা চৎখ্রে।

'শিরুই লিলিগুমা ইং তপা লৈশাৎ তম্বা ওইরসনু' হায়বা থিমদা চৎখিবা রেল্লি অদু ঙসি অয়ুক উখ্রুলগী এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পোলি মকাননা বক্সি গ্রাউন্দদগী লমথাখি। রেল্লি অদু বাইক রেল্লি অদু উখ্রুলগী দিপ্রুতি কম্মিস্নার-অশিশ দাসনা লুচিংখি।

ঙসি হুমনি চনবা নুমিৎতা ফেষ্টিবেল অসিদা মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা অমদি এম.এল.এ. কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সৈত্যবরতানা হায়-রাজ্য অসিদা অপুনবগী শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা ফুরুপশিংগী মরক্তা থমোয় শেংনা নুংশিনবা চংই। অৱাবা তারবা মতমদা ফুরুপশিংগী মরক্তা অমনা অমগী মতেং পাংনবা তাই।

**অভিয়ানঃ** লৈবাক শিন থুংবদা ত্রাইবেলগী লমশিংদা সার্ভিস অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহন্নবা ভারত সরকারনা মমাং চহিগী ওক্তোবর অনিদা ধরতি অবা জন্ন জাতিয়া গ্রাম উৎকাস অভিয়ান হৌদোকখ্রে।

কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না মী খুদিংমকা ফংফম থোকপশিং শোয়দনা অনকপা মফমদগী ফংহন্নবা অমসুং অভিয়ান অসিগী মতাংদা মীয়ামবু ভাব তাহন্নবা কেম্পেইন 'ধরতি অবা অভিয়ান-এৱারনেস এন্দ বিনিফিট সেচুরেসন' কেম্পশিং লাক্লিবা জন্ ১৫ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরি।

কাংপোকপী জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-কেম্পশিং অসিদা জিলা থাক্কী ওফিসারশিং, কান্নবা ফংবা য়ারবা ত্রাইবেল

মীওইশিং অমসুং ইমুং মনুংশিংনা কেম্প অসিদা মপুং ফানা শরুক য়াদুনা অভিয়ান অসিগী মখাদা পীরিবা খুদোংচাবশিং অসি লৌহৌনবা হোৎনগদবনি।

জরিবামদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা সভাপতি ওইদুনা ধরতি অবা জন্না জাতিয়া গ্রাম উৎক্রাস অভিয়ান (দি.এ.জে.জি.য়ু.এ) থবক্তা ওন্থোকবগী মতাংদা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কমিতিগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা শ্রী কৃষ্ণকুমারনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কমিতি (দি.এল.সি) মেম্বরশিংদা জিলা অদুদা অভিয়ান অসি চৎনহনবগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু খঙহনখি। মহাকা হায়-জিরিবাম জিলাদা ত্রাইবেলশিংবু চাউখৎহন্নবা অমসুং য়াইফ থৌরাংগী থবক পায়খৎনবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা খুল অহুম খনগৎলে। খুলশিং অদুদি-জাইরোলপোকপী, সোতোবেক্রো অমসুং ভুতাংখালনি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা ধরতি অবা অভিয়ান-এৱারনেস এন্দ বিনিফিটস সেচুরেসন কেম্প কৌবা কেম্পেইনশিংসু খনগৎলবা ত্রাইবেল খুলশিংদা জুন ১৫ দগী ৩০ ফাওবা পায়খৎকনি।

**ডে(এল)ঃ** দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-চান্দেলনা শিনদুনা ঙসি চান্দেল জিলাগী লিৱা চনিংদা লৈবা সেন্ট পাউল হায়স্কুলদা ২৫ শুবা মালেমগী বাইও-দাইভরসিতি নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

পালন থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা বাইও-দাইভরসিতিগী মতাংদা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা দি.এফ.ও. চান্দেলনা হায়-ঙসিদি বাইও-দাইভরসিতি অসি জাতিগী ওইবা লেংদ্রবা লন অমা ওইনা থম্বা তঙাইফদ্রে। মহাকা হায়-জাতি অসিগী চাউখৎপা, শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা অমদি নুংঙাই য়াইফবা তুংগী খুন্নাই অমা শেমগৎপদা বাইও দাইভরসিতিগী অচৌবা থৌদাং লৈ। বাইও দাইভরসিতি নীংথিনা ঙাক শেনদ্রবদি ঐখোয়না কৈদৌনুংদসু চাউখৎপা ঙমলোই। লাক্লিবা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেদা মহৈরোইশিংনা উ-চারা অমমতং ওইরবসু থাজিন্নবা মহাকা হায়খি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা মনিপুরদা ইন্সরজেন্সিগী চৈথেং হায়বসিদা লেকচর প্রোগ্রাম অমা ঙসি নোনে জিলাগী খাংশিংলুং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু নেসনেল এন্টি টেরোরিজম ডেগা মরী লৈননা ইন্সরজেন্সিনা পীবা অকিবশিং অদুগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা মহেরোই ৮০ রোমনা শরুক য়াখি।

**লেবর(এল)ঃ** কেন্দ্রগী লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা দাতোপন থেঙ্গারি নেসনেল বোর্ড ফোর ৱাকর এদুকেসন এন্দ দিবলপমেন্ট, রিজনেল এদভাইজরি কমিতিগী চেয়ারমেন ওইনা-অহোংশংবম প্রেমকুমার সিংহবু খল্লক্লে হায়রি।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা লৌবা মেট্রিক পরিক্ষাদা কাংপোকপী জিলাগী ওইনা খ্বাইদগী মার্ক ৱাংনা ফংদুনা পাস তৌরবা মহেরোই তরা ঙসি জোনেল এদুকেসন ওফিস-কাংপোকপীনা মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখ্রে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-টেরোরিষ্টশিংগী লোৎফমশিং মাং তাকহন্দুনা ভারতনা পাকিস্তানদা মতিক চাবা পাউখুম পীখ্রে। রাজস্থানগী বিকানেরদা ঙসি মীয়ামগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-পাকিস্তাননা ভারতকা শোকবা হকথেংনবা লান অমত্তা ঙমলোই। অদুনা টেরোরিজম শৌগৎতুনা প্রোক্সি ৱার তৌবনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-টেরোরিষ্টশিংনা এটেক তৌরকপা খুদিংমক্তা ভারতনা মদুগী চপ চাবা পাউখুম পীগনি অমসুং করম্বা পাউখুম পীগদগে হায়বদু লৈবাক

অসিগী লান্মীশিংনা লেপকনি।

অমরেমাদা, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি রাজস্থান সরকারগী ইনফ্রাষ্ট্রয়কচর, কন্নেক্তিভিতি, পৱার সপ্লাই, হেলথ সাভির্সেস অমসুং রাজ্য অদুদা ঈশিং ফংবা হেনগৎহন্নবা মরুওইবা প্রোজেক্ট ২৫ খরনা যাত্রা হুনখ্রে, খরনা শঙ্গাখ্রে।

প্রধান মন্ত্রিনা যাত্রা হুনখিবা অমসুং শঙ্গাখিবা প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা-লুপা কোতি লিশিং ৩,২৪০ চংনা পায়খৎকদবা কিলোমিটর ৭৫০ শাংবা ষ্টেট হায়ৱে ১২ ফিভম ফগৎহনবা অমসুং নীংথিনা থমবা প্রোজেক্টশিং য়াওরি।

প্রধান মন্ত্রিনা বিকানের অমসুং উদয়পুরদা পৱার প্রোজেক্টশিং শঙ্গাখি। রাজসমন, প্রতাবগর, ভিলৱারা অমসুং ধোলপুরদা নর্সিং কলেজশিং শঙ্গাখি। কলেজশিং অসিনা রাজ্য অদুগী হকশেলগী ইনফ্রষ্ট্রকচর ফগৎহন্নবা চাউনা থৌরাং লৌরগনি। ঝুন ঝুনু অমসুং পালি জিলাদসু প্রধান মন্ত্রিনা তোঙান তোঙানবা ৱাটর ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখি অমসুং খরনা যাত্রা হুনখি।

**সেন্টরঃ** সাইভরগী খুথাংদা অরোনবা পাউ পীথোক পীশিন তৌবা, সাইভর টেরোরিজম, সাইভর সেক্যুরিতিনা অকি-তুজং পোকহনবা অমদি লৈবাক্কী সেক্যুরিতিগী মায়োক্তা টেকোলোজিবু লান্না শিজিন্নবনচিংবা থৌওংশিং মপুং ফানা থিংনবগীদমক হোম এফিয়ার্স মন্ত্রালয়গী মখাদা সাইভর মল্টি এজেন্সি সেন্টর হাংদোক্লে।

লৈবাক্কী সুরক্ষাগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা সাইভর সেক্যুরিতিনা অকিবা পোকহল্লিবা অসিগী য়েংদুনা মসি থিংনবগীদমক পুং ২৪ মথৌ তৌবা সাইভর মল্টি এজেন্সি সেন্টর কন্ত্রোল রুম অমা ন্যু দিল্লিদা হাংদোক্লে। সাইভর সেক্যুরিতিগা মরী লৈনবা অসিগুম্বা থৌদোকশিংগী মতাংদা খুদক্তা কন্ত্রোল রুম অসিদা পাউ পীনবসু হায়রি।

কন্ত্রোল রুম অসিগী লেন্দ লাইন নম্বরনা-০১১-২৩০-৯৪০-৬০ নি

অদুগা মোবাইল নম্বরনা-৯১-৯৫৯৯-৬৬০-৭৩৩ নি।

**জয়শঙ্করঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়রি-ওপরেসন সিন্ধুর মনুংদা নোংমৈ কাপবা অমসুং লান্মীগী এক্সন লেপখিবা অদু ভারতকা পাকিস্তানগা হকথেংননা ৱারী শান্নরবা মতুংদনি।

ঙসি নেদরলেন্সকী ব্রোদকাষ্টর অমগা ৱারী শাননবদা ডা: জয়শঙ্করনা হায়- আমেরিকাগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মারকো রোভিয়োগা মহাক্কা অমসুং আমেরিকাগী উপ রাস্ত্রপতি-জে.দি. ভেন্সকা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা ৱারী শান্নখি। মহাকা হায়-লৈবাক অনিগী মরক্তা মুকরকপদা অতৈ লৈবাকশিংনা টেলিফোন তৌরকপা হায়বসি মহৌশানি। মন্ত্রিনা হায়-পাকিস্তাননা নোংমৈ কাপ বা লেপ্পা পাল্লবদি মখোয়না মদু ভারতকী জেনরেলদা হায়রক্কদবনি হায়না আমেরিকা য়াওনা লৈবাক খুদিংমক্তা ভারতনা ময়েক শেংনা খঙহনখ্রবনি।

**জেদিয়ুঃ** জে.দি.য়ুগী এম.পি. সঞ্জয় কুমার ঝানা লুচিংবা রাজনিতি দল কয়াগী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি টোকিওদা জপানগী মাংজিল থাবা থিঙ্ক টেঙ্ককা ৱারী শান্নদুনা মখোয়দা ভারতনা অখাকপা লৈতনা টেরোরিজম থেংনগনি হায়বা ফিরেপ অদু খঙহনখ্রে।

লৈবাক মঙাগী খোঙচৎকী অহানবা শরুক্তা টোকিওদা থুংখিবা মীহুৎ কাংবু অদুনা সরকারনা শৌগৎপা টেরোরিজম য়াওনা লমদম অসিগী সেক্যুরিতিদা শিংনরক্লিবশিং খন্নখি। ৱারী শান্নবা অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ভারতনা টেরোরিজম নমথনবা হোৎনরিবা অদুবু কন্না শৌগৎখি।

**মিশ্রিঃ** ফোরেন সেক্রেটরি-বিক্রম মিশ্রিনা ঙসি তোকিওদা জপানগী মপান থৌরম উপ মন্ত্রি-তাকেহিরো ফুনাকোসিগা উন্নখ্রে। মখোয় অনিনা ৱারী শান্নবা অদুদা টেরোরিজম মুথৎনবা ভারতনা অখাকপা লৈতনা হোৎনগনি হায়বা

ফিরেপ অদু খঙহনখি।

শ্রী মিশ্রিনা জপানগী মকোক থোংবা উপ বিদেস মন্ত্রি-হিরোয়ুকি নমাজ্গসু উন্নখি। মখোয়না ইন্দো-পেসিফিক লমদম অমদি মোত মান্নবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা লৈবাক অনিনা তেংবাং পীননবগী ৱাফমসু খন্নখি।

**মেটঃ** ইন্দিয়ান মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-খা নোংচুপকী কুমগী নোং কুমশিদি মহৌশাদগী ঙনখৎনা লাক্লবা য়াই। কুমগী নোং অসি লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদা কেরলা য়ৌরক্লগনি হায়রি।

মেট দিপার্টমেন্টনা হায়-লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদা মহারাস্ত্রা, কোনকান, গৱা অমসুং গুজরাটতা য়ামা কনবা নোং চুরবা য়াই। অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মনিপুর, মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরা য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমদসু নোংমাইজিং ফাওবা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

এজেন্সি অসিনা হায়-নোংচুপ বেঙ্গোল, বিহার, ঝরখন্দ অমসুং উত্তরাখন্দদসু হয়েং নোং কন্না চুগনি। ঙসি দিল্লি নেসনেল কেপিটেল রিজনদা পংকন কন্দনা নোং চুগনি। রাজস্থানদা হয়েং ফাওবা পুংদা কিলোমিটর ৪০ দগী ৫০ ফাওবা য়াংনা শিৎনা নোংলৈ নুংশিৎ তৌরবা য়াই। মরক অসিদা, ঙরাং নুমিদাংৱাইরম দিল্লিদা লেন য়াওনা অকনবা নোং চুখি। উফুল য়াওবা অকনবা নুংশিৎনা গাড়ি চৎথোক চৎশিন, দিল্লি মেত্রো অমসুং ফ্লাইটশিং পাইবদা অপনবা থোকখি। অকনবা নুংশিৎনা দিল্লি সহর অমসুং অকোইবা মফম কয়াদা উ কয়া মরু ফুকা তুহনখি। দিল্লিদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎখিবা অদুদা মী অনি শিরে।

**চেস (এল)ঃ** মনিপুর চেস এসোসিয়েসননা শিনদুনা তরেৎশুবা খুরাইজম রাম নরায়ন শাস্ত্রি মেমোরিএল ষ্টেট ওপন চেস টুর্নামেন্ট থা অসিগী ২৪ দগী,

ইম্ফালগী রামলালপাল হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা হৌরগনি।

**সুত্তিং ঃ** জরমনিদা পাঙথোক্লিবা আই.এস.এস.এফ জ়নিয়র ৱার্ল্ড কপকী সুত্তিং মশান্নগী মিতর ১০ এয়ার পিষ্টোল ইভেন্টতা ভারতকী কানকনা সনাগী তকমান ফংলে। মমাং চহিগী জ়নিয়র ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপতা লুপা তকমান লৌরকখিবা কানকনা চহি অসিগী ৱার্ল্ড কপ অসিদা মোলদোভাগী ওলিম্পিয়ান ওইবতা নত্তনা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়নসু ওইরিবা অনা দুলসপু পোইন্ট ১.৭ দা মায়থিবা পীখিবনি।

নিংশিংবা য়াই, মিতর ৫০ গী রাইফল প্রোন ইভেন্টতা ভারতকী অদ্রিয়ান করমাকরনা ৱার্ল্ড কপ অসিগী অহানবা ওইনা লুপাগী তকমান ফংখিবনি।

**বেদমিন্টনঃ** কোলা লম্পুরদা চত্থরিবা মালেসিয়া মাস্তরস বেদমিন্টনদা ভারতকী সট্টলর-কিদম্বী শ্রীকান্ত, মিক্স দবলগী জ়রা-দ্রুব কপিলা অমসুং তানিশা ক্রাসতো ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী প্রি-ক্বাটর ফাইনেলদা ভারতকী শ্রীকান্তনা আইলেন্দগী নাট নুয়েনবু ষ্ট্রেট সেটদা ২৩-২১, ২১-১৭ তা থোইখি।

অদুগা মিক্স দবলসকী প্রি-ক্বাটর ফাইনেলদা ভারতকী দ্রুব কপিলা অমসুং তানিশা ক্রাসতোগী জ়রানা ফ্রান্সকী জ়রাবু ২১-১৭, ১৮-২১, ২১-১৫ দা থোইখি।